Refreshingly Readable
HL
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ

সাই ইম্ফালগী ৱুশু কোচ মাইবম প্রেমকুমার ফূরকই হায়বগী চার্জদা সাইগী শান্নরোয়শিংনা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা প্রোটেষ্ট তৌবা

MSF
MANIPUR LEIBA SINDOON
ATHUPA MATAMDA
LEGAL ACTION LOUBA
লামায় ১

শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবশিংবু কনফ্লিক্ট ৱিদো ফোরমনা শীন্দুনা ৱাবগাই বফেলো ফার্ম মনাক্তা ইকায় খুম্নবা উৎপা থৌরমগী শক্তম

খেংজোই সব-দিভিজনগী তোঙান তোঙানবা খুল ২১ গী খুঞ্জাশিং অমসুং ভিলেজ ওঠোরিটি লীদরশিংনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন উনবা লাকপা

ইম্ফাল মোরে লম্বীগী লৈঙাংতাবী খুল ময়াদা থোকপা গাড়ী এক্সিদেন্টতা শোকপশিং এস পি তেংনৌপল ডো. এস ইবোচানা লোক্তগী পুখৎলকপা

Vol. 42, Issue No.076 ইরাই, ইঙা ২৪ নি পানবা অপূনবা লামায় মশিং ১২ HUEIYEN LANPAO, Friday, June 08, 2018, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৭৫.৪৯
দীজল : লিটরদা লুপা ৬৬.৬৩

মৈ মুৎকনি

ইম্ফাল, জুন ০৭ : লাইন মেন্টেনেন্স তৌনবগীদমক মোংশাঙ্গৈ ৩৩/১১ কে ভি সব-ষ্টেসন নম্বুল-১ ফীদরগী ওইনা হয়েং অয়ূক পুং ১০ দগী নুংথিল পুং ২ ফাওবা মৈ মুৎকনি হায়না আই ঈ দি-১, এম এস পি দি সী এলগী দেপ্যুটি জেনরেল মেনেজরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। পাৱর আউটেজ এরিয়াশিংগী মনুংদা মোংশাঙ্গৈ, হৈরাঙ্গোইথোং, হাওবম মরক, পীশুম থোং, খাগেম্পল্লি, এলাংবম লৈকায়, কৈশামথোং অমদি কৈশাম্পাৎ য়াওরি হায়রি।

রিমসতা ভিটিলিগো

ইম্ফাল, জুন ০৭ : রিমসকী দর্মাটোলোজি দিপার্টমেন্টনা জুন থাদগী চয়োল খুদিংগী য়ুমশকৈশা অমসুং থাংজদা মথংশিংনা ভিটিলিগো সোরাইএসিস ক্লিনিকশিং হাংলগনি। হাংবগী মতমনা নুংথিল পুং ২ দগীনি। ক্লিনিক অনী অসি রিমসতা দেসিএন্ট ক্যের সার্ভিসতা নৌনা হাপচিল্লকপনি।

ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	৩১.৯৯ °C	২২.৪৮ °C
চান্দেল	৩৪.৮৬ °C	১৯.১৬ °C
সীসীপুর	৩১.৭৩ °C	২১.৮০ °C
ইম্ফাল	৩২.৬৯ °C	২২.০৭ °C
সেনাপতি	২৭.৯৭ °C	২১.৫৬ °C
তমেংলোং	৩৭.০৩ °C	১৯.২০ °C
থৌবাল	৩৩.০৬ °C	২১.৬৫ °C
উখ্রুল	২৫.১০ °C	১৫.৬৫ °C
মণিপুর	৩৭.০৩ °C	১৫.৬৫ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৫.৮৮ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৪
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০২
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	79.467492
US Dollar	67.183054
British Pound	90.011066
Australian Dollar	51.355884
Chinese Yuan Renminbi	10.513644
Japanese Yen	0.610692
Malaysian Ringgit	16.911238
Norwegian Krone	8.355936
Singapore Dollar	50.434442
South Korean Won	0.062811
Swedish Krona	7.750912
Turkish Lira	14.948773
Myanmar Kyat	0.04962
Bangladesh Taka	0.79496

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 31465.24
Mumbai	–	Rs 32363.64
Delhi	–	Rs 32085.56
Kolkata	–	Rs 32417.11

HL POLL

Q : MSF ki office thugairamba amasung SAI gi oja fui haibagi thouong Law khutna paibani loubra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : NSU gi Lucknow Outlying Campus ki walk in interview yeithokkhiba DESAM gi mai pakpani loubra?

Yes 90% No 10%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

অস! লোইরেহে!

ষ্ট্রাইকনেনা ওফিস কাদ্রসু তোলোপতি অদুম পীরিসি কমদৌবা!



অদুনবু গভর্ণমেন্টকী থবক হায়রিনি!

বাইও দিজল শুংনবা অৱা কেগে থাবগী থৌরাং লৈরোন চনখ্রে

অৱা কেগে মরূনা বাইও দিজল শুংবতা নৎতনা পান্দ্বী অসিনা ঈশিং-নুংশিৎ শেংহনবদা চাওনা মতেং পাংলি : সাইন্টিষ্ট

অসেম বেবিচা

ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচ এন এস):

মণিপুর লৈঙাক্কী এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা ঙসিদগী চহী ১০ রোমগী মমাংদা বাইও দিজল শুংবদা খ্বাইদগী কান্নরবা পান্দ্বীনি হায়দুনা লৌমীশিংদা চাংয়েং ওইনা থাহনবদগী মায় পাকখ্রবা তুংদা মখা তাবা থবক অমত্তা লৌখৎলকখিদবনা দিজল শুংননবা অৱা কেগে (জট্রোফা) থাবগী থৌরাং লৈরোন চনখ্রে।

মতম অদুদা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা সেন্টরগী শেন্থং মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টকী মফম খরদা অৱা কেগে থাহনখি। হেক থাবা হৌবদগীনা মপূং মরে ফারবা ফাওবা দিপার্টমেন্ট অসিনা মীৎয়েং চঙলল্লগা মরূ লোক্লমদায়দগী তুমিন্না অদুমক লৈশিনখ্রে হায়না কুবের কৌবা লৌমী অমনা পাউচে অসিদা হায়রি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, মণিপুরদা মায় পাক্লা জট্রোফা থাবা য়াই অমসুং মহৈমরোং চুন্না লোকপা চানৈ হায়বসি মতমদুদা খূদম চাংদম ওইনা উবা ফংখ্রে। অদুবু, কমদৌনা জট্রোফাগী মরূদগী বাইও দিজল পুথোক্কদবনো অমসুং কনাদা য়োনগদবনো হায়বগী লম্বীদি মতমদুদা অখঙ-অহৈশিংনা তাকপীরম্বা লৈখিদে।

ষ্টেটকী এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী মচীন চৎপা মীশক অমনা হায়, স্কিম অদু চহী ১০ রোমগী মমাংদা পায়খৎলম্মী হায়বদি চাওরাকপা অমা খঙই। অদুবু, স্কিম পায়রম্বা ওফিসর অদুদি থবক্তগী পোথাখিবা কুইরে। হায়রিবা স্কিম অসি চাংয়েং ওইনা লৌমীশিংদা থাহল্লম্বনি। মদুনা মরম ওইরগা বাইও দিজল শুংবগী প্রোসেস অমদি পোথোকশিং লৈবগী ৱাফম পল্লমদবা ওইগনি হায়না লৌই।

অৱা কেগে/জট্রোফাগী মতাংদা থিজিনখিবা সাইন্টিষ্ট অমনা পাউচে অসিদা হায়, পান্দ্বী অসি মীতৈশিংনা শম্বল ওইনবা ইখ্খোলগী লৈপনশিংদা থাবগী চৎনবী লৈরম্মী। পান্দ্বী মখল অসি শা-ষণনা চাদে। পান্দ্বী অসিগী মরূদগী বাইও দিজল শুংবা য়াবতা নৎতনা পান্দ্বী অসিনা ঈশিং-নুংশিৎ শেংনা থম্বদা মতেং পাংই।

মহাক্লা হায়, জট্রোফা কুরকাসকী মরূ অসি মিলিমিটর ১৮ শাংই, মিলিমিটর ১২ পাকই। চাওরাক্লা মরূ অমগী অরূম্বা অসি গ্রাম ০.৫ তগী ০.৮ ফাওবা ওইগল্লি। জট্রোফা মরূ কিলোগ্রাম অমদা য়ামদ্রবদা মরূ ১৩৩৩ চল্লি। নীংথিনা কঙহল্লবা জট্রোফা কেজি অমদা চাদা ৫০-৬০গী চাংদগী তাদনা থাউ য়াওই। *মখা লামায় ৩ কলম৪*

ইন্টরনেস্নেল দ্রগ কার্টেলগী মরুওইবা মীশক এম দি মসলে এন এ বিনা ফারে

ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচ এন এস): নার্কোটিক্স এন্দ এফেয়র্স বোর্দর (এন এ বি) না মীয়াম্না খঙনরবা ৱান্টেদ ক্রিমিনেল এম দি মসলে এলিয়জ মসলেউদ্দিন এলিয়জ হজি বসলেট ফিন (৬৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি হাইদর আলি লৈফম্না লিলোং তুরেল অহনবী, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হৌখিবা মে ৩০ দা থৌবালদগী ফাখ্রে।

মহাক ম্যান্মারদগী ইন্দিয়া, নেপাল, বাংলাদেশ অমসুং সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী অতৈলৈবাক কয়া থুংনা ওপরেট তৌরিবা ইন্টরনেস্নেল দ্রগ কার্তেল অমগী মরুওইবা মীশক্নি। লোয়নননা মহাক ম্যান্মার, অসাম, ত্রিপুরা, ৱেষ্ট বেঙ্গল, য়ু পি, নেপাল, বাংলাদেশ অসিনচিংবদা পাক শন্না খঙনরবা দ্রগ লোর্দ অমনি হায়রি।

ঙসি নাবকী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা নাবকী এস পি দব্লিউ বাসুনা হায়, ২৩ শুবা এ আরনা চহী অসিগী হৌখিবা এপ্রিল ১১ দা দব্লিউ ৱাই টেব্লেট লাক্ষ অমা ফাখিবা কামাই দব্লিউ ৱাই কেসকী ইনভেষ্টিগেসন চথবদা ইন্টরনেস্নেল দ্রগ কার্তেল অসিগী থবকশিং খঙলকখিবনি। কামাই দব্লিউ ৱাই কেস অদুদা মণিপুর পুলিসকী থবক্তগী পোথারবা দেপ্যুটি এস পি (এম পি এস) ওফিসর অমসুং মহাক্কী লোয়নবী মরুওইবা মীশক অহুম - চলমাৱি দুহলিয়ন, লালরোজসি দুহলিয়ন অমসুং এস রোবিন্দ্রোগা লোয়নননা মোরেদগী ফাখিবনি।

ইন্টরনেস্নেল দ্রগ কার্তেল অদুদা এম দি মসলে অমসুং মহাক্কী মচানুপা এম দি সয়েদ অহম্মদ এলিয়জ সিরিন (২৭) না মণিপুরগী মরুওইবা কিংপিনশিং ওইনা ম্যান্মারদগী হিরোইন অমদি ৱাই দব্লিউ টেব্লেটশিং ইন্দিয়াগী অতৈ মফমশিং অমসুং নেপাল অমসুং বাংলাদেশকুম্না মপান লৈবাকশিংদা সপ্লাই তৌরমখি।

এন এ বিনা হৌজিক কিংপিন অসিগী মরী মতাশিং অমসুং লিলোংগী মীওই কয়াদা ৱাহং পাউহং চথদুনা কুপ্না থীজিল্লি। মখোয় অয়াম্বা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

শান্নরোয়শিংনা এম এস এফকী ওফিস থুগায়রম্লে

ৱুশুগী কোচ প্রেমকুমার ফূই হায়না মরাল শীরি অদুবু এম এস এফনদি য়াদ্রি



ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচ এন এস):

স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়া (এস এ আই)গী ৱুশু কোচ মাইবম প্রেমকুমারবু মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)কী থৌমী খরনা ফূরকই হায়বগী ৱাহৌদা এস এ আইগী শান্নরোয়শিংনা তোপ লৈরক্তনা লৈবা এম এস এফকী ওফিসতা ঙসি অয়ুক নমদুনা চঙশিল্লক্লগা পোৎ-চৈশিং থুগায়দুনা মাঙ-তাকহল্লম্লে।

থৌদোক অদুদা ওফিস অদুদা লৈরম্বা উপু, টেবল, চৌক্রি, কম্প্যুটর, প্রিন্টর, টি ভি অমসুং অতৈ পোৎ-চৈ কয়ামরুম অমাঙ-অতা থোকখ্রে হায়না থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়রি।

এস এ আই ইম্ফালগী ৱুশু কোচ প্রেমকুমার এম এস এফকী থৌমীশিংনা ফূরকপবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি এস এ আইগী ৱুশু শান্নরোয়শিং অমসুং কোচশিংনা ইম্ফালগী মিনুথোং ময়াদা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা এস এ আইগী ৱুশু কোচ মাইবম প্রেমকুমারনা পাউমীশিংদা হায়খি, ঙরাং মহাকপু ৱারী শানসি হায়না এম এস এফকী থৌমীশিংনা কৌরবা তুংদা ওফিসতা মহাকপু মহৈরোয় খরনা ফূরকখি। মহাক ৱুশু কোচ অমা ওইনা চহী ৩০গী ...*মখা লামায় ৩ কলম৪*

এন দি এ লৈঙাক্কী মায়োক্তা ওগষ্ট ১ দগী কেম্প্যেন হৌরগনি : ডো. নরা

সিটিজনশিপ বিল ৱিদ্রো তৌনবা, ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী ৱারোল খঙহল্লু হায়না তকশিন্নবা লেপ্পখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচ এন এস):

এন দি এ লৈঙাক্কী অশোয়বশিংগী মায়োক্তা ওগষ্ট ১ দগী ১৪ ফাওবা কেম্প্যেন চথরগনি। পোৎ-চৈ মমল তাংখৎপগী মায়োক্তা জুন ২০ দা খোঙজং চথরগনি হায়না সী পি আই মণিপুরগী হান্নগী সেক্রেটরি ডো. এম নরানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ইরাবত ভবনদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ডো. এম নরানা হায়খি, সী পি আইগী নেসনল এগজিক্যুটিব মীটিং থা অসিগী ৩ দগী ৪ ফাওবা অজয় ভবন ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখি। মীফম অদুনা তোঙান-তোঙানবা হীরম কয়াগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। হৌখিবা চহী ৪ রোম এন দি এ লৈঙাক লৈরকখিবা অসিদা অশোয়বা খরা লৈরি। হায়দোকখিবা ৱাফমশিংগা তৌথোরকপা থবক্তা খেন্নবা কয়া অমসু থেংনরি। মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা লৈঙাক ওইরে। এন দি এ লৈঙাক অসি শেঞ্জাও পায়বগী মায়কৈদা ওনশিনবা লৈঙাকনি। লৈবাক অসিগী য়ুনিভর্সিটি কয়াদা আর এস এসনা দিটেক্ট তৌবা মীওইশিং পায়হনবা কয়াসু থেংনরি। ইন্দিয়াগী শেল-থুমগী ফীভম ফগৎলে হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা লাউরবসু ইনিদয়াগী শেল-থুমগী ফীভমদি শোকচিল্লক্লি। লায়রবনা মশীং য়াম্না লৈবগী রেঙ্কতা ৱাংনা লৈরি। গ্লোবেল হ্যুমেন দিভলপমেন্ট ইন্দেক্সতা য়েংলুরবসু য়াম্না শোথনা লৈরি। হৌখিবা চহী ৪ রোম অসিদা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্লা সেন্টরদা পায়রকপা অসিদা হীরম কয়াদা অরানবা থৌশিল কয়া চথবা থেংনরি। ইনাক খুনবশিংবু য়োকখৎপা পাম্বা লৈঙাক ওইরি। মশীং য়াম্বা মীওই থবক পীগনি হায়না লাউথোকখিবা লৈঙাক অসিনা থবক নীংথিনা পীবা ঙমদ্রি। থবক ফংদবা মীগী মশীং য়াম্না ৱাংখৎলে। হান্না থবক ফংজরম্বা মীওই কয়াসু থবক ফংলক্তবা কয়া থেংনরক্লে। বেঙ্ক ইমপ্লোয়ী কয়ানা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাক্লি। বেঙ্ক ব্রাঞ্চ মশীংদি য়াম্না হাংদোরক্লি। অদুগা, থবক্তি লৌদবা মরম্না পোষ্ট অহাঙবা ময়াম লৈরে। মসিনা মরম ওইরগা বেঙ্ককী ইমপ্লোয়ীশিংদা চাওনা খূদোংচাদবা মায়োক্লরে।

এন দি এ লৈঙাক্কী অশোয়বা থৌওং-থৌশিল কয়াগী মায়োক্তা ওগষ্ট ১ দগী ১৪ ফাওবা লৈবাক শীনবা থুংনা খোঙজং কয়া চঙশিনগদৌরি। মণিপুরদসু খোঙজং অসি চঙশিনগনি। থা অসিগী ২০ দনা পোৎ-চৈগী মমল হেনগৎপগী মায়োক্তা ইন্দিয়া পূম্বদা খোঙজং চঙশিনগদৌরি। মণিপুরদসু খোঙজং অসি চঙশিন্নবা শেম শারে। বি জে পি লৈঙাক্কী অশোয়বা থৌশিল কয়া অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা সেপ্টেম্বর অমদি ওক্টোবর থাদসু খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা শেম শারি। সেভ কন্সটিট্যুসন, সেভ ইন্দিয়া হায়বা থিমদা খোঙজংশিং চঙশিনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা শরুক ...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

স্কুলদগী তান্থোকখিবা অঙাংদা লুপা লিশিং ৫০ পীনবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচ এন এস):

রাইট টু এদ্যুকেসনগী কেস অমদা ক্লাস সিক্সতা তম্লিবী অঙাং নুপীমচা অমদা লুপা ৫০,০০০ গী কম্পেন্সেসন পীখিনবা মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্দ রাইটস (এম সী পি সী আর)না কেথলিক স্কুল কাঙ্গিপুরগী প্রিন্সিপালদা য়াথং পীখ্রে। মহৈরোয় অঙাং নুপীমচাদু ট্রান্সফর সর্টিফিকেট পীরগা স্কুল অসিদগী তান্থোরকখিবনি হায়না ঙসি কম্মিসননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

কম্মিসননা স্কুলদুগী প্রিন্সিপালদা কম্পেন্সেসনগী শেনফম অদু য়াথং অসি ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

চীফ মিনিষ্টরনা খেংজোইগী হিল লীদরশিংগা উনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচ এন এস):

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙসি চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিএটতা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী খেংজোই সব-দিভিজনগী তোঙান তোঙানবা খুল ২১ গী খুঞ্জাশিং অমসুং ভিলেজ ওঠোরিটিগী লীদরশিংগা ইন্টরেক্সন চথখ্রে।

ইন্টরেক্সন সেসন অদু হৌজিক হৌজিক মনুং হঞ্জিনবা এরিয়া অদুদা দিপ্লোইদ তৌরিবা অসাম রাইফলসনা অখন্নবা হায়জবদগী শিন-লাংখিবনি।

অসাম রাইফলসকী ওফিসরশিংনা চীফ মিনিষ্টরদা এরিয়া অদুদা এভোকাদো পাক শন্না থাবা হৌদোকপদগী ফংলক্কদবা কান্নবশিংদুগী মরমদা চীফ মিনিষ্টরদা পাউদমখি। মখোয়না চীফ মিনিষ্টরদা কন্নেক্টিভিটি ৱাৎপা, ঈশিং সপ্লাই, ইলেক্ট্রিসিটি অমসুং অতৈ তঙাইফদবা হিংবগী আইটেম কয়া মফমদুদা ফংদবদগী খুঞ্জাশিংনা মায়োক্লরিবা ইস্যুশিংগী মতাংদা পাউদমখি।

ভিলেজ ওথোরিটি লিদরশিংদুনা চীফ মিনিষ্টরদা মখোয়না হৌখিবা চহী কয়ামুকসিদা মায়োক্লরক্লিবা খুদোংচাদবশিংগী মরমদসু তমদুনা খঙহনখি।

মখোয়গী ৱাফমশিং থৱায় য়াওনা তারবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টরনা খুদক্তা মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদ (এম এস পি দি সী এল) গী মকোক থোংবশিংদা ফোন তৌখি অমসুং অথুবা মতমদা তুইংতোং অমসুং থংনবা এরিয়াশিংদা মৈ ফংহন্নবগী তঙাইফদবা থৌরাংশিং পায়খৎনবা মখোয়দা খঙহনখি।

মহাক্লা চান্দেলগী দি সী কৃষ্ণ কুমারদা সেহলোনদগী ন্যু সোমতাল ফাওবগী দ্রেন মতিক চানা য়াওবা লম্বী অমা শেম-শানবগী প্রোজেক্ট রিপোর্ট অমা লাংনবসু দিরেক্সন পীখি। সেন্টরনা বোর্দর এরিয়া দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম (বি এ দি পি) গী মখাদা ষ্টেট অসিদা অহেনবা ফন্দ পীরকপগী ৱাফম য়ারে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়নন্না চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, লম্বীগী প্রোজেক্ট অদু বি এ দি পিদা য়াওহন্নবা মহাক্লা হোম মিনিষ্ট্রিদা তকশিল্লগনি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা অসাম রাইফলসকী ওফিসরশিং অদুদা খুঞ্জাশিংবু পোপ্পিগী মহুৎ লেমন গ্রাস, এভোকাদো অমসুং লফুনচিংবা থাবদা ওইনা পুক্রিং থৌগৎনবা হায়খি। এরিয়া অদুদা লফু পাক শন্না থাবা য়াবা ওইরবদি গভর্ণমেন্টনা লফু মশিং লৌথোক্লবগী মেছিনশিং থম্নবা শেম শারে হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

তুংদা অসাম রাইফলসকী ওফিসরশিংদুনা লৈতেংগী লৈশিং, লী অমসুং ৱাগী টুলশিং শাবদা থোইদোক্লা মখুৎ হৈরবা দিফরেন্টলি এবল্দ নুপীমচা অমা চীফ মিনিষ্টরবু উনহনখি। চীফ মিনিষ্টরনা ওফিসরশিংদুদা নুপীমচাদুগী হিংনবগী লম্বী শেমজনবা মণিপুর ষ্টেট কো-ওপরেটিব বেঙ্কতগী সোফ্ট লোন অমা শিনবীনবা ইন্সত্রক্সন পীখি।

চীফ মিনিষ্টরদা ভিলেজ ওঠোরিটিগী লীদরশিং অমসুং এ আরগী ওফিসলশিংনা শোল অমা খূদোল তমখি। ইন্টরেক্সন সেসন অদু ১৯ শুবা অসাম রাইফলসকী কম্যান্দেন্ট কর্নেল এ এস বাজপাইগী ইনিসিএটিব মখাদা শিন-লাংখিবনি।

রিমসকী ও পি দি ওনলাইনদা রেজিষ্ট্রেসন তৌবা য়ারগনি

ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচ এন এস):

রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস), ইম্ফালগা লোয়নননা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এ আই আই এম এস) ন্যু দিল্লিগী তোপ মেদিকেল ইন্সটিট্যুট অনী অসি ঈ-হোস্পিটাল মায় পাক্লা থবক্তা ওন্থোকপগীদমক্তা দি দি টেলিকাষ্টকীদমক খনখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা রিমসকী মীদিয়া এদভাইজর এন ফিলিপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, দি দি টেলিকাষ্ট মনুংদুদা মিনিষ্টর রবি শঙ্গর প্রসাদনা হেল্থকী খূদোংচাবা কয়া ইরায় লায়না ফংহল্লিবা ঈ-হোস্পিটালগী কান্নবশিং লৌরিবা মীওইশিংগা ইন্টরেক্ট তৌগনি। রিমসনা ঈ-হোস্পিটাল মায় পাক্লা থবক্তা ওন্থোকপা অমসুং ইন্সটিট্যুট অসিগী ওটোমেসন এক্টিভিটিশিংগীদমক মিনিষ্ট্রি ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ আই টি, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা থাগৎখি। থাগৎ ৱাহৈ অদু নেসনল ঈ-গভর্নেন্স দিভিজন , মিনিষ্ট্রি ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ আই টি, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা রিমসকী দিরেক্টরদা ইবা লেট্রর অমগী খূত্থাংদা খঙহল্লকখি হায়রি।

ইন্টররেক্সন প্রোগ্রাম অদু চাওরাক্লা জুন ১৪ গী নুংথিল পুং ২ দগী ৪ ফাওবা পাঙথোক্লবা লেপ্লে অমসুং প্রোগ্রাম ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

RIMT UNIVERSITY
"education for life"
400+ COMPANIES IMPANELED WITH RIMT
150+ PROGRAMS TO CHOOSE FROM
50+ INTERNATIONAL MOU'S
100% PLACEMENT ASSISTANCE
UGC Under Section 2 (f), AICTE, COA, PCI, BCI, NCTE Approved Courses
Since 1998 Celebrating 20 years of academic excellence
DIRECT ADMISSIONS
PROGRAMS WE OFFER
Engineering (B.Tech/ M.Tech/ Diploma/ B.Voc./ Ph.D) Hotel Management, B.Sc. Airlines & Tourism, Architecture, Law, ITI, Computer Application (BCA/B.Sc/MCA/M.Sc/PGDCA/Ph.D), Commerce, Management (BBA/MBA/MBA Integrated/ M.Phil/Ph.D), Design (Dip/B.Sc/B Design/ BFA/MFA/M.Phil/Ph.D), Agriculture (Diploma/B.Sc/M.Sc/ Ph.D), Agriculture (Diploma/B.Sc/M.Sc/Ph.D), Fisheries, Journalism & Mass Communication (Bachelor/Master) Pharmacy, Basic & Applied Science (B.Sc/M.Sc/M.Phil/Ph.D), B.Sc. Forensic Science, Para-Medical.
UPTO 60% SCHOLARSHIP OF COURSE FEE
RIMT MANIPUR OFFICE: 8725885838
9402610616
MAIN CAMPUS : NH1, OPPOSITE FLOATING RESTAURANT, SIRHIND SIDE, MANDI GOBINDGARH, PUNJAB
www.rimt.ac.in Toll Free 1800 137 0022
HL-P/3413/4,6,8,10&12

RUSSIA 2018

Instant TV Loan Opportunity for WORLD CUP 2018
Get Low Price for Direct Purchase
And also available :-
VEHICLE LOAN / SERVICE LOAN
PENSION LOAN / GOLD MORTGAGE
AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Lokiaobung B.O. M.G. Avenue,Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in.
HL-B/4618/11/05-10/06

লালহৌবনা কিহল্লক্লে হায়না থবক্তগী লৌথোকখ্রবা আর্মি ওফিসরনা সুপ্রিম কোর্টতা অমুক্কসু ৱাকৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ০৭ (এজেন্সী):

মশাগী শেন্থোক্লা চান্নদবা মওংদা লন-থুম পৈশিল্লম্বগী কেস মায়োক্লরিবা আর্মি ওফিসর অমনা মহাক্কী মথক্তা থাঙ্গৎলকখিবা কেস অদু ইম্ফালদগী চান্দিগরদা ট্রান্সফর তৌবীনবা হায়জখ্রে।

সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) না থিগৎলিবা অমসুং থবক্তগী লৌথোকখ্রবা আর্মি ওফিসর অদুদা লালহৌবশিংনা কিহল্লক্লে হায়না এজেন্সীগী পাউনা ফোঙদোক্লি।

কুমজা ২০০৯ দা অসাম রাইফলসকী ইন্টলিজেন্স ৱিংদা পোষ্টিং তাদুনা থবক তৌখিবা লেফটিনেন্ট কর্নেল হর্পিট সিংহনা কেস ট্রান্সফর তৌবীনবা সুপ্রীম কোর্টতা হায়জবা হন্দক্লা অনীরকশুবনি। হৌখিবা মার্চতা মহাক্লা হায়জখিবা ৱাফম এপেক্স কোর্টনা অয়াবা পীখিদ্রবনি। হন্দক্তা পীশিনখিবা পিটিসন অমদা থবক্তগী লৌথোকখ্রবা আর্মি ওফিসর অদুনা হায়খি মদুদি, কোর্টনা কৌরকপদগী এপ্রিল থাদা ইম্ফালদা চৎলুবদা লালহৌবশিংনা মোবাইল ফোনগী খুত্থাংদা কিহল্লকপা লৈখি। খুদোংথিবা নংবা য়াই খনবদগী লোকেল পুলিস ষ্টেসন্দা এফ আই আর অমা ফাইল তৌরম্লগা খুদক্তা অমুক পথান কোদতা হল্লকখি।

মণিপুরগী মরুওইবা লালহৌলুপ অমনা হান্নগী আর্মি ওফিসর অসিবু কোয়শেন শেন্নদুনা লৈবা মরম্না করিগুম্বা মহাক্লা ইম্ফালদা চৎপা তারবদি হাৎখিবা য়াই হায়না পিটিসনগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা ফোঙদোকখি।

হর্পিট সিংহগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র এদভোকেট এস পি সিংহনা ৱাফম অসি পুখৎলবা মতুংদা জষ্টিস এ কে গোয়ল অমদি জষ্টিস অশোক ভুষনগী ভেকেসন বেঞ্চনা জুলাই থাদা মখা তানা হিয়ারিং চথনবা মতম লেপখ্রে। থবক্তগী লৌথোকখ্রবা আর্মি ওফিসর অসিগী ৱাকৎ মতুংইন্না মহাক্লা থবক তৌমিন্নবা লেফটিনেন্ট কর্নেল টি ঐচ লুৱাংচা কৌবা অমনা শেমজিন শাজিনবা মরাল কয়া শিরকখিবনি হায়রি।

হায়রিবা মীওই অসি অথিংবা থমখ্রবা পিপলল লিবরেসন আর্মি (পি এল এ)গী রোবিন লুৱাং কৌবা অমগা মরী-মতানি হায়নসু হর্পিট সিংহনা মরাল শিখি। মতমদুদা লেফটিনেন্ট কর্নেল টি ঐচ লুৱাংচানা অসাম রাইফলসকী ভিজিলেন্স ৱিংদা থবক তৌরম্মী। হর্পিট সিংহগী পিটিসন্না ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫